# শট্টলর অজয় জয়ারামনা যু এস ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে




ইল মোন্টে (যু এস এ), জুলাই ০৯ ঃ
মরিশুবা সীদ অজয় জয়ারামনা মফম অসিদা চথরিবা যু এস ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টগী সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শট্টলরশিং লৈহৌখিদুনা মহাক মতোমতা ঙাইহৌরে।

দোল্লর ১২০,০০০ ইভেন্ট অসিগী নুপাগী শিঙ্গলসতা অনন্দ পৱারনা জয়ারামগী মখূৎতা মায়থীহৌখি অদুগা নুপাগী দবলস কোম্বো মানু অত্রি অমদি বি সুমীথ রেদ্দিসু মায়থীহৌখি। নুপীগী দবলস দো মেধানা জক্কাম্পুদি অমদি এস পুরভিশা রামসু ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল টাইদা ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ২২ জয়ারামনা কম্পেট্রোইট অমদি নম্বর ৯৩ শুবদা লৈরিবা পৱারবু মিনিট ৩০ চঙনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ২১-১১, ২১-১১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদু জয়ারাম্না অয়াম্বা মতমদা নমহৎতুনা মকোক থোংনা চৎখিদুনা মশাগী চহী ৩০ শুরবা ওপোনেন্টতা খুদোংচাবা অমত্তা পীখিদে। জয়ারামনা সেমী ফাইনেল মেচতা জপানগী কান্টা টসুনেয়ামাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

চৈরক অসিদা দবলসকী জুরা অনীসু মখোয় মখোয়গী মায়োক্ন খিবা টিমশিংগী মখূৎতা মায়থীখি।

রিও ওলেম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা নুপাগী দবলস কোম্বো অত্রি অমদি রেদ্দিনা জপানিজ দো টাকুটো ইনোয়ে অমদি যুকি কানেকোগী মায়োক্তা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখ্রবসু ২১-১৮, ৭-২১, ১৬-২১ দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা অহানবা গেমদা মায় পাকখ্রবসু অনীশুবা গেমদদি মায়থীখি অদুবু অহুমশুবা গেমদা থৌনা ফনা শান্নখিদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা হল্লক্লবা শান্নখ্রবসু কান্নবা ফংদনা মায়থীখি।

নুপীগী দো মেঘানা অমদি পুরভিশনা লোকেলগী জুরা ইভা লী অমদি কৌলা শয়ন ওবান্নাগী মখূৎতা ১৪-২১, ১২-২১ দা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা, মরিশুবা সীদতা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শট্টলর অজয় জয়ারাম অমসুং আনন্দ পৱারনা মফম অসিদা চথরিবা যু এস ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টনগী শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মানু আত্রি অমসুং বি সুমিথ রেদ্দি অনীগী জুরাসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। লোয়ননা নুপীগী দবলসতসু এস পুরভিসা রাম অমদি মেঘনা জকামপুদিগী জুরাসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। আনন্দ পৱারনা নুপাগী সিঙ্গলসতা প্রটুল জোসিবু ২১-১০, ২১-১৩ দা অদুগা অজয় জয়ারাম্না পোর্টুগলগী পেদ্রো মাটিনবু ২১-১১, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

নুপাগী দবলসতা সেকেন্দ সীদ মানু আত্রি অমসুং সুমিথ রেদ্দি অনীগী জুরানা জপানগী কেনয়া মিটসু হাসি অমদি যুতা ৱাটানবিগী জুরাবু ২৩-২১, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা হৌজিক ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী অতোপ্পা জুরা ওইরিবা টাকুরো হোকি অমদি যুগো কোবয়াসিগী জুরাগা অমুক থেংনরগনি। নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পুরভিসা রাম অমসুং মেধনা জক্কাম্পুদিগী জুরানা অমেরিকাগী এরিএল লি অমদি সিদনি লিগী জুরাবু ২১-১৬, ২১-৬ তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

নীংশিংবা য়াই হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ তসু ইন্দিয়াগী শট্টলর তরেৎনা শরুক য়াদুনা মেদলগী অশা চাউনা তৌরিবনি।

# নিরাজ গোয়াট রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রে, ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা লৈহৌরে



ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৯ ঃ
দব্লিয়ু বি সি এসিয়ন চেম্পিয়ন নিরাজ গোয়াট (কেজি ৬৯) না ভেনেজুয়েলাগী ভার্গাসতা পাঙথোকপা প্রোফেসনল বোক্সরশিংগী ওইবা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন’স ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টগী ঙরাং শান্নখিবা বোক্স-ওফতা ০-৩ দা মায়থীহৌখিবদগী রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবগা লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেদল ওইনা ফংখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা জর্মনগী অনীশুবা সীদেদ অরাজিক মরুটজানগী মখূৎতা ০-৩ দা মায়থীহৌখিবা মশাগী চহী ২৪ শুরবা নিরাজবু স্পানিয়ার্দ সিসোখো নদিয়ে য়ৌবাগী মখূৎতা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা বোক্স-ওফ মেচতা মায়থীহৌখি। কেটাগোরি অসিদা ফাইনেলিষ্ট অনীনা রিওগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং অহুমশুবা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক বোক্স-ওফতগী খনগৎপদা স্পানিয়ার্দ অসি মায় পাকখিবদগী ক্বালিফাই ওইখি। অদুগা ইন্দিয়ন বোক্সর অসিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি।

নিরাজনা মায়থীহৌখিবা অসিনা ইন্দিয়ানা বোক্সিংগী ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টতা কোটা অমদি ফংগনি হায়না শাগৎলুবা মঙলান অদু কায়খি। ক্বালিফায়িং অসিদা শরুক য়াখিবা গৌরভ বিধুরি (কেজি ৫২) অমদি দিলবাগ সিংহ (কেজি ৮১) দি হান্নমা অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা মপান থোকখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা বোক্সর অহুম শিভা থাপা (কেজি ৫৬), মনোজ কুমার (কেজি ৬৪) অমদি ভিকাস কৃষন (কেজি ৭৫) না শরুক য়ারগনি। মখোয় অহুম অসি এমেচরগী পাঙথোকখিবা ক্বালিফাইয়রদগী ক্বালিফাই ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা আইবাগী মশাগী প্রোফেসনেল ইভেন্ট ৱর্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিং (দব্লিয়ু এস বি) অমদি আইবাগী প্রো বোক্সিং (এ পি বি) দা নত্তনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী প্রো বোক্সরশিংনা শরুক য়ারিবনি।

ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) না থোকখিবা ওফিসল ওইবা এন্ট্রি লিষ্টতা ভাগার্সকী টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী লৈবাক ৪০ দগী বোক্সর ৭৯ শরুক য়াদুনা রিওগী কোটা ২৬ কীদমক অকনবা লম্বা পানরি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ন অহুমগী ওইনদি রিও ক্বালিফাই ওইবা ঙম্নবা ফাইনেল চঙবা নৎত্রগা মায়থীহৌরবা সেমী ফাইনেলিষ্ট-শিংগী মরক্তা শান্নগদবা বাউটতা মায় পাকপা মথৌ তাখিবনি।

অমরোমদা ভেনেজুএলাগী ভারগাসতা চথরিবা প্রোফেসনেল বোক্সরশিংগী ওইবা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিরজ গোয়ট কেজি ৬৯ গী কাঙলুপকী সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্সকী অরোইবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদা নিরজ গোয়টনা সেমী ফাইনেলদা মায়থীখ্রবসু রিওগীদমক নীংবা কায়খি।

নিরজ গোয়ট সেমী ফাইনেলদা থিনগাইরম্লবসু রিও ওলেম্পিক্কী বর্থ ফংনবগীদমক মহাক্না স্পেনগী সিসোকো দিয়ায়ি য়ৌবগা থিনগাইনবা খোঙফম শেমখিবনি।

স্পেনগী বোক্সর সিসোকো দিয়ায়ি য়ৌবগা সেমী ফাইনেলদা টোপ সীদ জুৱান পাব্লো রোমিও মরিনগী মখূৎতা ০-৩ দা থিনগাইরমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপী হোকিগী কেপ্তেন রিটু রানি রিও ওলেম্পিক্স গেমসকী স্কাদতগী লৌথোকখ্রে




ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৯ :
ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী কেপ্তেন রিটু রানিগী ওইরিবা অনেম্বা পার্ফোমেন্স অমদি মহাক্কী মওং মতৌ অদুবু য়েংলগা ইন্দিয়াগী রিও ওলেম্পিক্সকী স্কাদতগী লৌথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী অরোইবা মেম্বর ১৬ কী স্কাদ অসি নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা খনগৎকনি অদুবু টিম মেনেজমেন্টগী সেনিয়র মেম্বর অমগী মতুং ইন্না হৌজিক বেঙ্গলোরদা চথরিবা নেসনল কেম্পতা রিটুনা শরুক য়াখিদে হায়না কনফার্ম তৌখি।

সেনিয়র মেম্বর অদুনা ফোঙদোকখিবদা রিটুনা ওলেম্পিক টিমদা য়াওররোই হায়বসি চুপ্লে। মহাকপু টিমদা য়াওহনখিদবগী মরু ওইবা মরম অনীদি অহানবদা মহাক্কী অশোনবা পার্ফোমেন্স অমসুং অনীশুবদা মহাক্কী চৎলিবা লিচৎকী মওং মতৌ অদুনি হায়না ফোঙদোকখি।

মঙোন্দা মমাঙদগী মহাক্কী পার্ফোমেন্স ফজনা লৈবা ঙম্নবা হঞ্জিন হঞ্জিন শন্দোক্লা তাক্তুনা খঙহনখ্রবসু মহাক্না মদু থবক ওইনা উৎথোকখিদে। হৌজিক বেঙ্গলোরদা কেম্প চথুরি। ঙসি অমদি হয়েং অসি ঐখোয় তোখায় তোখায়না চৎনদুনা দেল্লিদা থুংলুগনি। রিটুনা কেম্পতা ঙসি নীনি হুমনিগী মমাঙদগী শরুক য়াদনা লাকখি হায়না সেনিয়র মেম্বর অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

রিটুগী লিচিং মখাদা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা চহী ৩৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখিবনি। ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৮০ দগী ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইদনা লাকখি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা অসিনা ইন্দিয়াগী নুপী হোকিগীদমক মমাঙ থংনা শান্নদুনা হৌখিবা চহী তরা অসি লাকখিবদা নত্তনা টিমগী মিদফিল্ডরগী খ্বাইদগী মরু ওইবা প্লেয়র অমা ওইনা লাকখিবনি। লীদরশিপ রোলগীদমক সেনিয়র প্লেয়র রানি রাম্পালদা তারবা য়ারি।

হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট নরেন্দর বত্রানা হীরম অসি চাওথোক্তনবা প্লেয়রগী লমচৎ শাজৎতা মপূং ফাদবগীনি হায়বা ৱাফম থমখি।

মসি তশেংনা রিটুবু মতিক চাদবা লৈবননি মরমদি হৌজিক টিম লাউথোকপা তৌদ্রি। ইন্দিয়ন টিম অসি ওফিসল ওইনা জুলাই ১২ দা লাউথোক্কনি। মদু ঐনা মীয়াম মমাঙদা মখুম চেৎনা খুম্বা সিল অদু থুগায়রগা উৎতুনা লাউথোক্কনি হায়খি।

হোয়, টিম মেনেজমেন্টতা ঐঙোন্দা মখোয়গী রিকমেন্দেসনশিং অদু পীরকখ্রে। পীরকখিবা রিকমেন্দেসনশিং অদু টিম অনীমক্কী কেপ্তেন অমদি ভাইস কেপ্তেনগীনি। রিকমেন্দেসনশিং অদু জুলাই ১১ দা হোকি ইন্দিয়াগী পাঙথোক্কদৌরিবা ইগজেক্যুটিব বোর্দকী মীফম মনুংদা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়না বত্রানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কোরিয়াগী অনেম্বা দেভিস কপকী স্কাদ অমনা এসিয়া-ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান দেভিস কপ্তা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনরগনি



ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৯ ঃ
জুলাই ১৫ দগী ১৭ ফাওবা চান্দিগর ক্লবকী গ্রাস কোর্টতা চৎথগদৌরিবা এসিয়া-ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান দেভিস কপ টাইগীদমক কোরিয়ানা মখোয়গী অশোনবা স্কাদ অমা লাউথোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী অশোনবা টিমগী য়েংলগা যূম্বু ইন্দিয়াদা ৱঙ্ক ওভর ফাওবা পীথোরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈখ্রে।

মশাগী চহী ১৯ শুরবা অমদি রেঙ্ক ৪৫২ দা লৈরিবা শিওং চান হোংনা কোরিয়ন টিমবু লুচিংদুনা ইন্দিয়ন প্লেয়রশিংগা চেল্লেঞ্জ তৌগদৌরি। কোরিয়ন টিমদা টোপ প্লেয়র অহুম হয়েওন চুং (১০৭), লী দুজখি (২০১) অমদি সুন ৰু কৱোন (৪৩৩) য়াওখ্রে। অতোপ্পা কোরিয়ন টিমগী মেম্বরশিংনা য়োং কয়ু লিম (৬২২), য়ুনসে ওং চুং (৬৪২) অমদি হোং চুং (৬৭৬) নি। মখোয় কোরিয়াদা রেঙ্ক ৯ দগী ১১ ফাওবদা লৈবা প্লেয়রশিংনি। অহানবা প্লেয়রশিং অসিনা দেভিস কপ টাই অনীদা শরুক য়াদুনা শান্নগনি অমদি অনীশুবনা ১৫ দা শান্নগনি।

অমরোমদা ইন্দিয়া টিমদা সকেথ ময়নেনি (১৪৭), রামকুমার রামানাথন (২৩১) অমদি দবলস ষ্টার রোহন বোপান্না অমদি লীএন্দর পেসনা শরুক য়াগনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা সকেথনা টাই অহুম শান্নগনি অদুগা রামকুমারনা মহাক্কী অহানবা ওইনা দেভিস কপ্তা শরুক য়াগনি।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবা বোপাননানা টাই ২২ শান্নখ্রে অমদি মশাগী চহী ৪৩ শুরবা পেসনা টাই ৫২ শান্নখ্রে। পেসনা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৯০ দা দেভিস কপকী টাইদা শরুক য়াবা হৌখি।

ইন্দিয়া অমদি কোরিয়া অনীগী টাই অসিদা মায় পাকপা অদুনা ৱর্ল্ড কপ গ্রুপ প্লে ওফ ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি। মসি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাদা শান্নগনি।

দেভিস কপ্তা কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু ৬-৪ দা মাঙজিল থানা চৎলিবনি। অদুবু অরোইবা ওইনা কুমজা ২০১৪ দা কোরিয়াদা শান্নখিবা লৈবাক অনীগী টাইদা ইন্দিয়ানা মায় পাকখি। ইন্দিয়ানা হৌখিবা চহী অনীদা ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফতা শরুক য়াখ্রে অদুবু অনীমক সর্বিয়া অমদি চেক রিপব্লিক্কী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়ানা সিজন অসিগী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখ্রে। কোরিয়ানা ন্যুজিলেন্দবু ০-১ দা সিওলদা পাঙথোকখিবা টাইদা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগা চেলেঞ্জ তৌনবা কোরিয়ানা চঙলকখিবনি।

কোরিয়া অমদি ইন্দিয়াগী টাই অসিদা যূম্বু ইন্দিয়ানা কোরিয়াবু নমহৎতুনা মায় পাক্নবগীদমক পোরমশিং য়াৎপা হৌখ্রে। অমদি হৌজিক অকনবা প্রেক্টিশ চথদুনা লৈরিবনি।

# অন্দর-১৭ ফুটসাল ৱর্ল্ড কপ্তা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ানা ব্রাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ফংদুনা শরুক য়ারগনি




মুম্বাই, জুলাই ০৯ ঃ
ফুটসাল মশান্নগী গভর্নিং বোদিনা ৱাইল্ড কার্দ পীরকখিবদগী চৎলিবা থা অসিগী ১১ দগী পেরাগুৱেনা যূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ফুটসাল ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়ানা লেমজনিঙাই ওইরবা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারগনি।

টিম অমদা প্লেয়র মঙানা শরুক য়াদুনা অপীকপা ফিল্ড অমদি মরু ওইনা ইন্দোরদা শান্নবা মশান্না অসি এসোসিএশন মুন্দিয়াল দি ফুটসাল (এ এম এফ) না গোর্ভন তৌবনি। ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক ১২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ফুটসাল অসি জুলাই ২০ দা লোইশিনগনি হায়না এ এম এফকী মেদিয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেন্নাইগী ফুটসাল প্লেয়র ভারট্রাজ সেলভাকুমারনা লুচিংগদবা ইন্দিয়ন টিম অসি জোন এদা তারি। জোন অসিদা কটালোনিয়া, কজাখষ্টান অমদি যূম্বু ওইরিবা পেরাগুৱেগা পূন্না তামিন্নরি।

জোন অহুম খায়দোক্তুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী জোন বিদা কলম্বিয়া, বেলজিয়ম, ব্রাজিল অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানা পুনমিন্নরি। অদুগা জোন সিদা অর্জেন্টিনা, উরুগুৱে, মোরোকো অমদি কুৱাজোনা পূন্না তামিন্নরি।

ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী স্কাদ অসি মমাঙ থা জুন ১৪ দগী ১৬ ফাওবা হরিয়ানানা যূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অন্দর-১৭ নেসনলদগী খনগৎখিবনি। হায়রিবা অন্দর-১৭ নেসনলদগী খনগৎখ্রবা প্রোবেবল লিষ্টতা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদু জুন ২৬ তগী জুলাই ৫ ফাওবা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং কেম্পতা শরুক য়ারবা মতুং প্লেয়র ১৫ অমুক খনগৎতুনা ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী স্কাদ অসি ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্তা পেরাগুৱেগীদমক খোঙশানখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা মেচ ওইনা জুলাই ১২ দা কটালোনিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। মথংদা যূম্বু পেরাগুৱেগা লম্বা তৌদুনা জুলাই ১৩ দা শান্নরবা মতুং অরোইবা লীগ মেচ ওইনা জুলাই ১৪ দা কাজাখষ্টানগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

মশাগী চহী ১৫ শুরবা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ভারট্রাজ সেলভাকুমারনা হায়, ইন্দিয়াগীদমক মহুৎ শিন্দুনা শান্নগদৌরিবা অসিমক খ্বাইদগী থাক ৱাংনা ঈকাই খুম্নবীবগুম্বনি। অতোপ্পা নেসনল টিমশিংগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা অসিনা ফুটসালবু মাঙজিল থানা শান্নখ্রবা মখোয়দগী চাউরবা এক্সপরিয়েন্সশিং অদু তম্বগী খুদোংচাবসু ফংলগনি। ঐখোয়না মশক থোক্লবা মালেমগী ফুটসাল প্লেয়রশিংগা চাংয়েংন্নবা শেম শাদুনা লৈরে অমদি মসিদা ঐখোয়না নুঙাইবা পোকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফুটসাল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এফ এ আই) গী ফাউন্দিং প্রসিদেন্ট নামদেভ শিরগাওঙ্করনা হায়খি, ফুটসাল অসি ইন্দিয়াদদি য়াম্না নৌরিবা ষ্টেজদা লৈরি অমদি ঐখোয়গী অন্দর-১৭ টিমনা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়ানবা থাবা অসিনা ইন্দিয়াদা ফুটসালবু হেন্না মায়ওন চাউনা চঙশিল্লকপা ঙম্লগনি।

ঐখোয়না ঐখোয়গী খ্বাইদগী ফবা ফুটসাল প্লেয়র ১৫ খনগৎলে অমদি ৱর্ল্ড কপ্তা মখোয়না মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মখোয়না ফংলক্কদৌরিবা এক্সপরিয়েন্স অদুনা মখোয়বু অফবা ফুটসালগী প্লেয়র অমা ওইনা হল্লকপদা মতেং ওইরগনি। এ এম এফনা ঐখোয়বু লেমজনিংঙাই ওইরবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবা চেবাও পীরকপদা অপেনবা পোকই হায়না হায়খি।

ইন্দিয়াগী স্কাদ অদুদি ভারট্রাজ সেলভাকুমার (কেপ্তেন, টামিল নাদু), নরং দিভয়ানশ (গোলকিপর, দেল্লি), সরভগয়া রৱাট (কর্ণাটাকা), রিটভিক ভার্ঘীজ, পৃথিভিরাজ কুমার (অনীমক হরিয়ানা), সাঙ্কেট প্রসান্না কুনদাপুর (মহারাষ্ট্রা), পুল্লুরু ভিশরুথ (টেলেঙ্গানা), গুনাভান্থ মহেন্দ্র দুরেমান্থি (গোলকিপর, টেলাঙ্গানা), সিধান্ট কেশভ দালভি (মহারাষ্ট্রা), প্রাটয়ুশ সুধির বোকাদিয়া জেইন, হরিদে অনান্ট খাট্রি (অনীমক টামিল নাদু), প্রনাভ মানিশ চান্না (মহারাষ্ট্রা), জীট সম্পাট (টামিল নাদু), শ্রীজিট নীলাকান্ট (দেল্লি), হরিদে পারাখ (মহারাষ্ট্রা) নি। কোচতা অলোয়শিয়স জোসেফ ভাজ (মহারাষ্ট্রা) নি।

# রসিয়াগী হায় জম্প এথলেট দোপিংগী মরালদা অথিংবা থমখ্রে



মোস্কো, জুলাই ০৯ ঃ
রসিয়াগী ওলেম্পিক্সকী হায় জম্প চেম্পিয়ন অন্না চিবেরোভাবু দ্রগ টেষ্টতা ফেল ওইবগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনল এসোসিএশন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আইএএএফ) না নৌনা লৌখিবা ৱারেপ্তা অথিংবা থমখিবদগী রসিয়ন এথলেটিক্স ফেদরেসন্দা অচৌবা শাফু অমা পীখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবী অন্না চিবেরোভাবু অথিংবা থম্বগী ৱাফম অসি ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোরকখিবদগী রসিয়ন এথলেটশিংনা পাক্তক্লনা দোপিং চৎথে হায়বগী মরাল মায়োক্নদুনা লাকখিবা অদুদা হেন্না মতিং পীখি। কুমজা ২০০৮ দা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্সতা লৌখিবা সেম্পলশিং অদু অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরমখিবা রসিয়ন এথলেটশিংগী মরক্তা অন্না চিবেরোভাসু অমা ওইখি। মহাক্কী পোজিটিব ওইবগী পাউ অদু অহানবা ওইনা চহী অসিগী মে ২৫ দা ফোঙদোরকখিবা মতম অদুদা এথলেট অসিনা মহাক মরাল লৈতে হায়বদু শোইদনা উৎকনি হায়বগী থাজবা পীখিবনি। বৈজিং ওলেম্পিক্সতা অন্না চিবেরোভানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি অদুবু কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা রসিয়ন এথলেট অসিনা হায় জম্পতা গোল্ড মেদল লৌখি।

রসিয়াগী এথলেটশিংনা ষ্টেট স্পোন্সর দোপিং চৎথে হায়বগী মরালদা ইন্টরনেসনল এসোসিএশন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আইএএফ) না লৈবাক অসিগী ট্রেক এন্দ ফিল্ড এথলেটশিংবু মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদগী হৌনা মালেমগী কম্পিটিশনশিংদা শরুক য়াবগী অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা মমাঙ থাদা মালেমগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা আই এ এ এফনা অথিংবা অদু কোমথোক্তনবা ৱারেপ লৌখিবদগী এথলেটশিংনা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংলোইদবগী ফীভমদা লৈরিবনি।

করিগুম্বা রসিয়াগী এথলেটশিংনা দ্রগ দোপিংদা য়াওখিদে অমদি অরানবা তৌখিদে হায়বগী খুদম পীবা ঙম্লবদি ইন্দিভিজুয়েল এথলেটশিংনা ন্যুট্রেল ফ্লেগ অমগী মখাদা রিওদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়বগী থাজবা পীদুনা লৈরিবনি।

রসিয়াগী ওলেম্পিক কম্মিট (আর ও সি) না বৈজিং ওলেম্পিক্সতা পীখিবা এথলেটশিংগী সেম্পলশিং অদুগী মনুংদা অন্না চিবেরোভা য়াওনা অতোপ্পা মেদল ফংখিবা এথলেট ৯ গা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপূনবা এথলেট ১৪ না অথিংবা থমখ্রবা দ্রগ শীজিন্নরম্বগী পোজিটিভ ওইরমখি হায়না ফোঙদোকপা লৈখিবনি।